HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses




ষ্টেট অসিগী ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈগী অৱাৎপা লৈরিবা অসিদা মতেং পাংবা ওইনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঈ কৎপগী কেম্প



ইন্দিয়া লৈঙাক্না অয়াবা পীখ্রবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না মণিপুরগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবা

লামায় ১



বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিগী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক এ সীগী মফম শীনবা থুংনা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট কাপথোকপা হৌহনখিবা



সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. এলিসন অবোমে অমসুং চিং-তম দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না পূন্না খূৎশম্নদুনা ৱাবগাই এ সীগী খেলাখোংদা লৈবা য়ূমথোং ১০০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাঙখিবা

লামায় ৬


Vol. 44, Issue No.126 | ইরাই, থৱানগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, July 31, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


# মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরগা লৈখিদবা মীওই মরি শুখ্রে

## অপূনবা কেস মশীং ২৫০০ হেনখ্রে, এ দি জি পিগী এস্কোর্ট পর্সনেল ৩সু পোজিটিভ ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :
রিমস হোস্পিটালদা ঙরাং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা ঙসিসু পোজিটিভ ওইবা মীওই অহুম লৈখিদবদগী মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরগা লৈখিদবা মীওই মরি শুখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ২৫০০ হেনখ্রে। মণিপুর পুলিসকী এদ্দিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) টি গুইটেগী এস্কোর্ট পর্সনেল অহুমসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরগা লৈখিদবা মীওই অহুম অসিগী মনুংদা অনীনা রিমসতা লৈখিদবনি। অদুগা অমনা জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। মীওই অহুম্মক নুপা ঙাক্তনি। রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবা মীওই ২ অসিগী মনুংদা অমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা লৈমখোংদগীনি অদুগা অতোপ্পা মীওই অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা লাঙ্গোলদা লৈবনি হায়রি।

লৈমখোংদগী লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ৪৮শুরবা মীওই অসি হৌখিবা জুন ৮দা কিদনিগী অনাবা লৈবদগী রিমসতা এদমিট তৌদুনা নেফ্রোলোজি ৱর্দতা লায়েংদুনা লাকখিবনি। হন্দক রিমসকী ডোক্টর, নর্স অমদি ষ্টাফ কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরকপদগী হোস্পিটাল অসিদা লায়েংদুনা লৈরিবা অনাবশিংসু টেষ্ট তৌবদা মীওই অসিসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা জুলাই ২৬তা খঙবা ঙমখিবনি। অদুগা মহাক ঙসি অয়ূক পুং ২.৩০ রোম তাবদা লৈখিদবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা লাঙ্গোলদগী লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## কোর্টনা জেলদা থাজিনবা মীওই ২গী মনুংদা নুপী ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে

### জজ অমসুং ষ্টাফশিং টেষ্ট তৌনবা থবক লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
চৎলিবা কুমজা অসিদা চপ চানা ফহন্নবগী হীদাক লৈত্রিবা কোভিদ-১৯গী লায়না শনে দারকখিবদগী মসিগী মায়োক্তা টোটেল লোকদাউননচিংবা চেকশিন থৌরাংশিং অকনবা মওংদা লৌখৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা ষ্টেট অসিগী ত্রায়ল কোর্টশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা থোকপা থৌদোক অমদা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবা এক্যুজ নুপা অমগা নুপী অমগগী মনুংদা নুপী অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী কোর্টকী প্রিসাইদিং ওফিসর (জজ) য়াওনা মহাক্কী ষ্টাফশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা থবক লৌখৎখিবগা লোয়ননা কোর্ট বিল্ডিংমক্তদা ক্বারনটিন তৌদুনা লৈখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরগী কোর্ট রুমদা থোকখিবনি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) অমনা মখোয়না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাবা এক্যুজ নুপা অমগা নুপী অমগা স্পেসল কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখি হায়রি।

এন এ বি পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ১২(৭) ২০২০ অন্দর সেক্সন ২১(সী)/৬০(৩) নার্কোটিক দ্রগস এন্দ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# টোটেল লোকদাউনগী মতম ওগষ্ট ৬ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

## লোকদাউন মনুংদা চৎনগদবা কাঙলোনশিংসু লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
মপান লমদা চৎলুবগী ত্রাবেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরকপদগী ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা জুলাই ২৩দগী মণিপুর পূম্বদা চত্থরকখিবা টোটেল লোকদাউনগী মতম লাক্লিবা ওগষ্ট ৬ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।



টোটেল লোকদাউন চত্থরিঙৈ মনুংদা লৈরক-খুল্লক্তা হাংবা দুকানশিং থোঙ হাংবা অমদি লম্বীদা লন্নাই গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াররোই।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবুনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া অমা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্তুনা কেস মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মরম অসিনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী সেক্সন ২০ (২) (এ) না পীবা পৱারগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা টোটেল লোকদাউন লাক্লিবা ওগষ্ট ৬ ফাওবা মখা তানা থম্লগনি। দেপ্যুটি কম্মিসনরশিংনা মখোয়-মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কর্ফিয়ু থম্বগী ওর্দরশিং থোক্কদবনি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ইস্যুশিং তৌবা ওর্দরশিং অমসুং গাইদলাইনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনসু মশাগী ওইবা ওর্দর অমসুং গাইদলাইনশিং থোকচবা য়াই হায়রি।

ওগষ্ট ৬ ফাওবা চত্থগদৌরিবা টোটেল লোকদাউন মনুংদা অথিংবা কোমথোক্কদবশিংদি ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজশিং হোম দেলিভরি তৌবা, শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোথোকশিং খোমগৎপা, প্রোসেসিং তৌবা অমদি য়োনবা য়াগনি। গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারোই।

পোৎ-চৈ পুবা গাড়ীশিংনা মাও, জিরিবাম অমসুং জেসামিনচিংবা ইন্টর ষ্টেট বোর্দরশিং ক্রোস তৌবা য়াগনি। দ্রাইভর অনী অমসুং হেল্পর অমা য়াওবা পোৎ-চৈ পুবা ট্রকশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## সী এমনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :
চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা খোংতালদা লৈবা কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা হল্লকখিবা অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংদা এটেক তৌদুনা লান্মী ৩ শিহনখিবা অমদি লান্মী খরনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌবগী চেরোল অদুনা হায়, লান্মীশিংনা মিলিটেন্টশিং থেংননবা হোৎনবদা লান্মীশিংনা কখোক্লিবা অসি লোইবা নাইরোই। লৈবাক অসিনা লান্মীশিংগী কখোকপা অদু মতম চূপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবা লান্মীশিং অসিগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু মণিপুর লৈঙাক্কী অমদি মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## নুপী ১ মপুরোয়বনা থাঙনা থিন্দুনা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :
চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা সিংহাট সব দিভিজনদা কোনবা মৌলুং খুন মনাক্তা নুপী অমা মহাক্কী মপুরোয়বনা থাঙনা থিন্দুনা হাৎলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিংনা নিংতুনকিম এলিয়স কিম (২৮) মপুরোয়বনা শামুনসাং (৩৪) কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকা জোসুৱা লম্বীদা লৈবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী মপুরোয়বা শামুনসাং অসি ভি দি এফকী পর্সনেলনি। মহাক আইজোলগা তাইনবদা লৈবা মোলতুক্তা পোষ্টিং তাবনি। মহাক্কী লোয়নবী অসি থা অসিগী ২৮দা সিংসোন্দা চৎখিবদগী ঙরাং মহাক্না গাড়ী মচাদা পুরগা লাকপদা মখোয় অনী নিংঙাই শংদানরকপদগী লম্বীদা থাঙনা থিল্লগা হাৎখিবনি হায়রি।

নুপী অদুগী অশিবা হকচাং অদু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### HL Poll

Q: Manipur leingakna covid-19 thengnanaba total lockdown august 6 faoba sangdokhankhiba asi achumba khongthangni khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Athingba leina-leina mapandagi naronda hidak managi potlamsing pushillakliba asi phagatnaba security forcesingna matik chaba thabak paikhatli khanbra?

Yes 10% No 90%

### অঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.১৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৭৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.০৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- হো লৈকায়-লৈকায় খৈনি ফারে য়ূমথোঙ অমগী নুপী অমমম থোরক-ও!



- ইনম্মা য়েংলগা লাউবীয়ু ক্বা জরদা হানিকো!

# চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেস বাবু ঙসি থবক্তগী পোত্থারগনি মণিপুরগী অনৌবা সী এস কনানা ওইগদৌরি?



ডা. জে সুরেশ বাবু



ডা. সুহেল অখটর



এম ঐচ খান



ডা. রাজেশ কুমার

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেস বাবু হয়েং থবক্তগী পোত্থারগনি। ষ্টেট অসিগী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি কনানা ওইগদগে হায়বসু হয়েং খঙলবা য়ারি।

কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ১দগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকখিবা ডা. জে সুরেশ বাবুগী থবক পায়বগী মতম চহী অসিগী জুলাই ৩১দা লোইরদুনা হয়েং থবক্তগী পোত্থাগদৌরিবনি। কুমজা ১৯৮৬ বেটচকী মণিপুর-ত্রিপুরা কাদরগী আই এ এস ওফিসর ওইরিবা ডা. জে সুরেশ বাবু থবক্তগী পোত্থারগদবা মরম্না মহাকপু ফ্যেরৱেল পীবগী থৌরম অমা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মণিপুর সেক্রেটরিএটকী সাউথ ব্লোক্তা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা আই পি এস, আই এফ এস, এম সী এস, এম পি এস, এম এস এফ ওফিসরশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়ারনবা সেক্রেটরিএটকী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টতগী পাউজেল পীখ্রে।

ডা. জে সুরেস বাবু থবক্তগী পোত্থখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইনা কনানা থৌ পুগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। মহাক্না থবক্তগী পোত্থখ্রবা মতুংদা হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেলসু ওইরিবা আর দি এন্দ পি আরগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# খোংতালগী এম্বুশতা এ আরগী পর্সনেল ৩ শিরে, ৫ শোক্লে

## এম এন পি এফ, আর পি এফ অমদি য়ু এল এফ এ (আই) না ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা শজিক তম্পাক্তগী খরা চৎলগা লৈবা খোংতালদা অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরকপদা হবিল্ডার অমা য়াওনা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৩ শিরে। জে সী ও ১ য়াওনা পর্সনেল ৫না শোক্তুনা লৈমখোংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী মিলিটরি হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।



ঙরাং নুমীদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা শজিক তম্পাক্তগী খরা চৎলগা লৈবা খোংতালদা চত্থরকখিবা লালহৌবগী এম্বুশ অদুদা লৈখিদ্রবা ৪শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল অহুম অদুদি, অসামদগী হবিল্ডার প্রানে কালিতা (৩৮), নাগালেন্দদগী রাইফলমেন মেথনা কোনয়াক (৩৭), ককচিংদগী রতন সলাম (৩৩) নি। মখোয় অহুম্মক থৌদোক থোকফমদা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা এ আর পর্সনেল ৫ অদুদি জে সী ও সুবেদার এন জি ঙুলখোতিল হাওকিপ (৩৮), হবিল্ডার নিতুল শর্ম্মা (৩৯), রাইফলমেন সন্দিপ কুমার (৩৫), নাইক সিকন্দর (৩৬) নি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অনীদি ফীভম লুনা লৈরি। থৌদোক থোকফম অদুদা চকপীকারোং পুলিসকী টিম অমা চঙশিনখ্রে। লৈখিদ্রবা এ আর পর্সনেল ৩ অদু ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা পুরক্লগা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসতা চত্থখিবা এটেক অসি অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌলূপ ওইরিবা মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ), রেভোল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) অমসুং য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম-ইন্দিপেন্দেন্ট (য়ু এল এফ এ -আই) না পূন্না চত্থখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

এম এন পি এফকী দিফেন্স সেক্রেটরি রুইচুমহাও, পি এল এগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ এফ এম ঙৌবা অমসুং য়ু এল এফ এ (আই) গী ভাইস চ্যেরমেন অমসুং চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ পোরেস অসোমনা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, এম এন পি এফ, আর পি এফ অমসুং য়ু এল এফ এ -আইগী অপুনবা ফোর্স ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# জেনিমসকী ডোক্টর অমনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা পিটিসন ফাইল তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
মণিপুর লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাউবা হোস্পিটাল অমসু ওইবগী মথক্তা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা এসোসিএট প্রোফেসর ওইরিবা সিনিয়র ডোক্টর অমনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মথক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা খন্নবা হৌখ্রে।

হায়কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নর ডোক্টর অদুগী মমিং হিজম অপাবী (৫৮) কৌই। থাংমৈবন্দ খুয়াথোং পোলেম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা ঐচ ইবোতোম্বীগী মচানুপানি। মহাক্কী পিটিসন অসিগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সিভিল) - ৩৮১ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং অতোপ্পা ওফিসল মরিনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মহাক কুমজা ২০১১গী দিসেম্বর ১৭তা জেনিমসকী পেদিয়াত্রিক্স দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবনি। অদুগা কুমজা ২০১৬কী মার্চ ২দা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লগা ফিজিকেল কোর্টতা ঙসিদগী ইলেক্সন পিটিসন ২গী হিয়ারিং চত্থরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা কুমজা ২০১৭তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অনীগী মতাংদা থা অসিগী ২৮দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা কম্মন ওর্দর অমনা পিটিসনশিং অসি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা (কোর্টকী ওর্দর ফংবা নুমিৎতগী থা অনীগী মনুংদা) দিসপোজ তৌননবা দিরেক্সন পীরকখিবগী মতুংইন্না ঙসি হায়কোর্টকী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা খন্নবগীদমক লৌখৎলকপদা পিটিসন অনীগী মনুংদা অমগী পিটিস্নরগী কাউন্সেলগী ইন্টরনেট কনেক্টিভিটিদা প্রোব্লেম লৈরকপদগী হয়েংদগী পিটিসন অনীমক কোর্ট অসিগী ফিজিকেল কোর্টতা হিয়ারিং চত্থগদৌরি।

ইলেক্সন পিটিসনশিং অসি কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ৭-অন্দ্রো এ সীদা মীরেপ ওইখিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা পিটিস্নর ওইদুনা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা এক্স এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০১৭ অমসুং ৯- থাংমৈবন্দ এ সীদা মীরেপ ওইখিবা জোতিন ৱাইখোমনা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণ অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৮ ওফ ২০১৭নি। পিটিস্নর জোতিন ৱাইখোমগী মায়কৈদগী মহাক্কী পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৪ ওফ ২০১৭ অমসুং ২৪ ওফ ২০১৯ সু ফাইল তৌরকখিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২


# 'নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি'

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়া লৈঙাক্না অয়াবা পীখ্রবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ তরাম্না ওকই, পোলিসি অসি মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না মণিপুরগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপড়াদা লৈবা এস এস এগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, চহী ৩৪গী মতুংদা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি অসি এপ্রুভ তৌবনি। ইন্দিয়না ইন্দিপেন্দেন্ট ফংলবা মতুং কুমজা ১৯৬৮, কুমজা ১৯৮৬তা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি পুথোকপা লৈখ্রে। মসিগী মতুংদা হৌজিক পুথোক্লিবা এদ্যুকেসন পোলিসি অসি লাকপনি। কুমজা ১৯৯২দা মোদিফাইদ এদ্যুকেসন পোলিসি অমা পুথোকপসু লৈখি। নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ অসিগা স্কুল এদ্যুকেসন অমদি হায়র এদ্যুকেসন্দা লার্জ স্কেল ত্রান্সফোর্মেসন লৈগনি। পোলিসি অসিদা তোঙান-তোঙানবা ভিজন কয়া অমা য়াওরি। মসিগী মনুংদা এসেস, ইক্যুইটি, ক্বালিটি, ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ডোক্টরশিংনা থওইদবদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়দুনা কম্মিসনদা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):
লিলোং হাওরৈবি মখা লৈকায়দগী মশাগী চহী ৩৮ লোম শুরবা এম দি ইকবাল হক অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অবদুল অজিজ কৌবা মীওই অমা লায়েংনবগীদমক জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা এদমিট তৌরবা মতুংদা লায়েংশঙ অসিগী ডোক্টরশিংনা থওইবীদবদগী লায়কন্নদনা লৈখিদ্রে হায়বগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা কমপ্লেন্ট কেস অমা ফাইল তৌরকখ্রে।



কম্মিসনদা কমপ্লেন্ট তৌরক্লিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং এদভোকেট রবি খান (৪৫) কৌই। ইম্ফালগী মিনুথোং গোলাপতি টেঙ্কিদগী লৈখিদ্রবা এম দি অলিমউদ্দিনগী মচানুপানি। মহাক হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল মণিপুর (ঐচ আর সী এম) গী সেক্রেটরি ওইবনি হায়রি।

মহাক্কী কমপ্লেন্ট অসিনা রেসপোন্দেন্ট ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের), রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী দিরেক্টর, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, জেনিমসকী দিরেক্টর অমসুং মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টনি। পিটিস্নরনা ঙরাং কম্মিসনদা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্ট অসিগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা এম দি ইকবাল হক থা অসিগী ২৪দা মবুক নাই হায়বদগী জেনিমসতা পুখৎলক্তুনা এদমিট তৌবনি। মথংগী নুমিৎতা মহাকপু লায়েংখিবা ডোক্টরশিংনা ওপরেসন তৌরগনি হায়দুনা অলত্রা সাউন্দ অমসুং কোভিদ-১৯ টেষ্টকী রিপোর্টশিং খোমজিল্লগা থৌরাং তৌখি। অদুম ওইনমক থা অসিগী ২৬তা অনাবা অসি জেনিমসতা ওপরেসন তৌনবগীদমক ডোক্টর অমত্তা লৈত্রে হায়বদগী প্রাইভেট হোস্পিটাল (লমজিংবা হোস্পিটাল) দা রিফর তৌরকখি। মসিগী মতুংইন্না অনাবা অসি প্রাইভেট হোস্পিটাল অসিদা এদমিট তৌরুবদসু লায়েংবীয়ু হায়বা য়ারকখিদে। ফীভমসিদগী মীওই অসি রিমসতা অমুক পুদুনা এদমিট তৌখি। মদুদসু হোস্পিটাল অসিনা লায়েংবীয়ু য়ারক্তবদগী জেনিমসতা অমুক হন্না এদমিট তৌনবা পুবদা লায়েংশঙ অসিগী গেট য়ৌরকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অসি মহাক্কী লৈকায়দা হিংনবগীদমক গাড়ী মচাগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২


খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।





☛ লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।



☛ লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/1-31/7



ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫